# রোবর্টো ফর্মিনোগী অথেংবা গোলদা লিভরপুলবু ক্লব ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল তম্না পুশিনখ্রে






দোহা, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সি)ঃ
রোবার্টো ফর্মিনোনা মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনিটতা চনখিবা লিভরপুলগী অনীশুবা গোলনা মেক্সিকানগী ক্লব মোন্টিরিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা কটারদা চত্থরিবা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল তম্না পুশিনখ্রে। ফাইনেলদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন লিভরপুলনা সাউঠ অমেরিকাগী চেম্পিয়ন ফ্লামেনগোনা থা অসিগী ২১ দা খালিফা ইন্টরনেস্নেল ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা লিভরপুলগী সেন্টর বেক ভেন ডাইক অমসুং দিঞ্জান লোব্রেন য়াওখিদবনা টিম অসিগী কেপ্টেন জোর্দান হেন্দরসনবু মখোয়গী মহুৎ শীন্দুনা সেন্টর বেক ওইনা শান্নহন্দুনা জে গোমেসকা পিয়র শেমখি। অমসুং ফর্মিনো অমদি সাডিও মানে বেঞ্চতা ফমদুনা সকিরি অমদি দিবোক ওরিগিনা ওফেন্সিপ লাইন অপ লুচিংখি।

লিভরপুলনা হৌরকপদগী খোঙজেল য়াঙনা শান্নখিবনা মিনিট ১২ চৎপদা ইজিপসিয়ান মোহমদ সলানা নেবি কায়তানা চেনলকপা মায়কৈ তম্না ফজরবা রিভস পাস অমা পীরকখিবা পাস অদু কায়তানা থেঙথবা তৌদনা য়াম্না কন্না হোৎন্নরগা মোন্টেরিগী গোল কিপ্পর মর্সিলো বরো বিরোবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মোন্টেরিনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরকপদগী মেক্সিকানগী ক্লব অসিনা গোল মান্নবা হোৎনবদা সুপ্নগী মিনিট ৩ খক চঙখি।

গোল অদু জিজস লান্দোনা অনকপা মফমদগী কাওশিনখিবা সোটতা লিভরপুলগী দিফেন্দরনা ব্লোক তৌদুনা থক্তোকখিবা বোল অদু রোজিলিও ফুলিস মোরিদা চপ চানা তাদুনা মহাক্না লিভরপুলগী গোল কিপ্পর এলিসন বেক্ররবু মায়থিবা পীদুনা মিনিট ১৪ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

মেক্সিকানগী ক্লব অসিনা হাল্ফ মমাঙদা মশিং খঙদনা গোল এটেম কয়া তৌখি অদুবু লিভরপুলগী গোল কিপ্পরনা মশক থোকপা প্রফোমেন্স পীদুনা অরেম্বা তাহনখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগীসু মোন্টেরিগী দিফেন্সকী অশোয়বগী তাঞ্জাদা মোহমদ সলানা খুদোংচাবা কয়া ফঙখি অদুবু গোল চনবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ১০ চৎপদা লিভরপুলগী গোল স্কোলর নেবি কায়তা মশামক্না দিফেন্দর ২ লাম্থোক্তুনা য়াম্না কন্না হোৎনরগা পূশিনলকখিবা বোল অদু অহানবা নেট মনুংদা চঙহনবা ঙমখিদবনা গোল মাঙজিল থাবা য়াবগী তাঞ্জা অদু অরেম্বা তাখি।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন লিভরপুলনা অনীশুবা হাল্ফতা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোকপা ঙমখিদবগী তাঞ্জা লৌদুনা মেক্সিকান টিম মোন্টেরিনা হেন্না লাকশিনা শান্নদুনা মখোয়না পীবা য়াবা প্রেসর পীশিনখ্রবসু মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ তাখিবা এদিসন বেক্ররনা মেক্সিকান টিমগগী হোৎঞ্জম অদু অরেম্বা তাহন্দুনা কন্টেস অসিদা খাঙদুনা লৈনবা শেপ কয়া অমা তৌখি।

লিভরপুলনা সিজন অসিগী অহানবা ওইনা ট্রোফি লৌনবগী অশা তৌরিবা ক্লব ৱার্ল্ড কপ অসি মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা টিম অসিগী মেনেজর জর্গন ক্লোপনা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিগী লোয়গদবা মিনিট ১৫ ৱাংলিঙৈদা ওরিগিগী মহুৎতা রোবার্টো ফর্মিনোনা মহুৎ শীলত্তুনা মখোয়গী লৈখিবা অহোবশিং অদু নীংথিনা মেন্সিলক্তুনা মেক্সিকানগী টিম মোন্টেরিদা চাউনা খুদোং চাদবা মর্য়োক্লহনখি।

লিভরপুলনা লোয়রমদাইদা চাঙ নায়না চত্থখিবা এটেকশিং অদু নীংথিনা থিংহৌদবনা লিভরপুলগী রাইট বেক অলেকজেন্দর অর্নোল্ডনা বোক্স তম্না নেম্না খায়রকপা ক্রোশিংদা রোবর্টো ফর্মিনোনা মোন্টেরিগী মার্কিংদগী নাম্থোক্তুনা বোল অদু অহাঙবা নেট মনুংদা চঙহনখিদুনা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন লিভরপুলবু ক্লব ৱার্ল্ড কপ অসিগী ফাইনেল তম্না পূশিনবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী মতাংদা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন লিভরপুলগী মেনেজর জর্গন ক্লোপনা হায়, ঐখোয়না মেটচ অসি শান্নদ্রিঙৈ মমাঙ অমসুং শান্নরিঙৈদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি অদুবু ঐখোয়গী টিমগী শান্নরোইশিংনা লৈখিবা খুদোংচাদবা অদুবু মেন্সিদুনা ফজবা প্রফোমেন্স পীখিবনা ঙসিগী মেটচ অসি মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ত্রাইয়েলদা য়াওগদবা ভোল্লিবোল শান্নরোই ২৪ গী মিং লাওথোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
ভোল্লিবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ইং ২০২০গী জনুৱারি ২৬ তগী ৩১ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৬ শুবা জুনিয়র নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগী টিম শেম্বগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবা শান্নরাই ২৪ গী মিং লাওথোক্লে।

মখোয়শিং অদুদি– ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজমদগী কে দিপক সিংহ, কে ঐচ নোংদম্বা সিংহ, কে খিরেন সিংহ, পি বিকাস, এম দিদান্ত সিংহ অমদি এন ভোজেন সিংহনি।

ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং দগী এন মাইকেল সিংহ, কে জয়সন সিংহ, কে ইনাও সিংহ অমদি কে মলেমঙানবা সিংহনি।

এস দি সি শামুরৌদগী ঐচ বিদিয়ানন্দা অমদি দন্নি সুরচান্দনি।

এন ৱাই ভি এ নাওরেমদগী এস সান্তকুমার, থুয়সিল, পানমৈ, কে ঐচ সনাতোম্বা অমদি তোনদোনবনি।

আর সি সি দগী থাঙলেন মাওৱি হাওকিপ, গুনগুন হাওকিপ অমদি লিয়ানলালনি।

কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলদগী পি নরেন্দ্র অমদি ৱাই রোনল্ডনি। আই জি ও ওইনামদগী এম দি তরিক অমদি অমরনি।

হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ২৪গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা খুমন লম্পাকতা এস অশোকুমার সিংহ অমদি টি ঐচ ব্রজকেশ্বর সিংহদা ত্রাইয়েল কম কোচিংগীদমক রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না খঙহল্লক্লি।

# তকুমি লিভরপুলগীদমক খূৎয়েক পীনখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সি)ঃ
জপানিস ইন্টরনেস্নেল তাকুমি মিনোমিনো ওষ্ট্রিয়াগী টিম বেদ বুল্ল সাউজবগতগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন লিভরপুল ফুটবোল ক্লবকীদমক খূৎয়েক পীনখ্রে।

চহী ২৪ ত ঙাইরিবা জপানিস শান্নরোই অসি লিভরপুলগীদমক চহী ৪ মখায় খূৎয়েক পীনখি। মিনোমিনোনা লিভরপুলগা সিজন অসিগী চেম্পিয়ন লীগকী গ্রুপ মেটচ ২ দা মশক থোকপা প্রফোমেন্স উৎখিবনা লিভরপুলনা মহাকপু খূৎয়েক পীনবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইখি।

মহাক্না সাউজবগতা মেটচ ১৯৯ শান্নখিবদা গোল ৬৪ চনবা ঙমখি লোয়ননা জপানগী মেটচ ২২ শান্নদুনা গোল ১১ চনখ্রে।

# ৱাই এফ দি ও হৈরাঙ্গোইথোং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা য়ুম্বীরেল খূৎ ক্লব নাচৌ খা লৈকাই বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা থা অসিগী ১৬ তগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা মেন'স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা এম পি এস সি অমদি ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংগা শান্নগনি।

টুর্নামেন্টগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ৱাই এম দি ও অমদি ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজমনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই এম দি ওনা ঐচ ৱাই দি সি সি এলবু সেট ৩–১ ( ২৬–২৪, ২৫–২১, ২৪–২৬, ২৫–১৪) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা এম পি এস সি অমদি কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সিনা কে ৱাই এল এস সিবু সেট ৩–০ ( ২৭–২৫, ২৫–১৯, ২৫–১১) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

# টাজকির এফ সি ফাইনেলগী লম্বা ঙায়খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
ৱান্টেদ বোইজ শঙ্গাই য়ুন্ফম পুলৈপোকপীনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্তুনা পুলৈপোকপী প্লে গ্রাউন্দা চত্থরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা টাজকির এফ সি শঙ্গাইয়ুন্ফমনা এস এম এস এফ সি পুলৈপোকপীবু কিক ফোম পেনাল্টি মাকতা গোল ৮–৭ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙদুনা লম্বা ঙায়খ্রে।

হয়েং অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা বোনি এফ সি পাওবিটেক অমদি ৱান্টেদ বোইজ শঙ্গাইয়ুন্ফম পুলৈপোকপীগা শান্নগনি।

# সেনিয়র ৱুশু চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ষ্টেটকী টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
থা অসিগী ২৬ তগী ৩১ ফাওবা জম্মু কাস্মিরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮ শুবা সেনিয়র নেসনেল ৱুশু চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক ৱুশু ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সতা লৈবা আর সি সি ৱুশু ত্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা খনগৎখ্রবা এঠলেট ২৬ অমসুং ওফিসিয়েল মরীগী মিং ৱুশু এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা লাওথোক্লে।

খনগৎখ্রবা এঠলেটশিং অদুদি– টাওলুদা সি দব্লিউ আইগী পেবম থোইবী, লৈমাপোকপম সনাতোম্বী চনু, সাই আর সিগী য়ুম্নাম নিরমলা, অঙোম সনাথোইবী চনু, তখেলময়ুম অরিতা, নমোইজম পুস্পা, লৈতাম জেনি, লাইশ্রম বিজেশ্বরি চনু, কোঞ্জেংবম লক্ষ্মী অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী খুমুকচম রোশনিনি।

সান্সৌদা ইম্ফাল ইষ্টকী লৌশাংবম কলপ্না চনু, অহোঙশাংবম সরজুবলা, অথোকপম জেমস মৈতৈ, হুইদ্রোম মোমোচা মৈতৈ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী খুম্বোংময়ুম তোন, নিংথৌখোঙজম ইন্দ্রকুমার, ককচিংগী নাওরেম রোমিতা, সাই আর সিগী থোঙাম অরুনা, হাওবিজম কুঞ্জেশ্বরি, নাওরেম রোশিবীনা, হৈশ্নাম প্রবাবটি, পুখ্রম্বম প্রেমানন্দ, বিষ্ণুপুরগী খাঙেম্বম মনিমতু মৈতৈ, মোইরাংথেম ইনজি, ওইনাম মলেমঙানবা মৈতৈ, থোকচোম জোধাজিৎ অমদি এম পি এস সিগী উশম হেরোজিৎ সিংহনি।

টিম ওফিসিয়েল ওইনা খনখ্রবশিং অদুদি– কোইজম ধনজয় সিংহ মেনেজর ( সান্সৌ), সি ঐচ চিঙলেম্বী চনু মেনেজর ( টাওলু), কে ঐচ তরুনবলা দেবী কোচ (টাওলু) অমদি এম রোনেল সিংহ কোচ ( সান্সৌ) নি।

# জিট কুনেদো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ভোপালদা থা অসিগী ২৪ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৫ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন জিট কুনেদো য়ু–১৯ বোইজ এন্দ গালর্সতা শরুক য়ানবগীদমক ষ্টেটকী টিম ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি– এল অরুনদাস, এস জে ক্সন, জিলিন চোঙথাম, এস কেনেদি, সি ঐচ বোলেন্দ্রো, মলেমঙানবা থাঙজম, সি ঐচ বোরিস, মুজাহিট, এন জি সনাথোই অমদি এম হোরাননি।

নুপীমচা শন্নরোইশিং অদুদি– এন জি সনিয়া, এল লিম্থোই, এস সঞ্জিৎতা, এ কে ওমিতা, এ টুশিলা, এন রানি চনু, ঐচ মেথোই চনু, এল ইবেথোই চনু, ঐচ দয়ানি অমদি এল পুস্পানি।

ষ্টেটকী টিম অসি এন রফিচানন্দ সিংহ অমদি এ সন্ধিয়ারানি দেবীনা টিম ওফিসিয়েল ওইনা লুচিংল্লি।

# ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
পৱারলিফটিং ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা জরখন্দ ষ্টেট পৱারলিফটিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ইং ২০২০গী জনুৱারি ১০ দগী ১২ ফাওবা বোকারো ষ্টেট সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন পৱারলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুনবগী ষ্টেটকী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২২ দা কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা লৈবা পি বি বি পি টি সিদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মরম অদুনা ওল মরিপুর পৱারলিফটিং এসোসিয়েসনদা এফিলেট তৌরবা জিমশিংগী শান্নেরাইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। লোয়ননা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৮ দগী ৱেদ ওল্লবা মতুং পুং ১০ দা প্রফোমেন্স য়েংগনি মরম অসিনা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসিয়েল অমদি লিফটরশিংনা মতম চানা লাক্লবা ওল মণিপুর পৱারলিফটিং এসোয়িয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ১৭ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০গী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ২১দর নম্পা খা–ইম্ফাল অমদি এল সি সি সি লিল্লোং চজিংনা শান্নরগনি।

# টি ঐচ রধামনি নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা ইচেল ক্লব দিবোংনা জে ৱাই সিবু মায়থিবা পীখ্রে

জিরিবাম, দিসেম্বর ১৯ ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন এ জে এস এনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা চত্থরিবা ১৭ শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইচেল ক্লব দিবোংনা জে ৱাই সিবু গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মথংগী অরোয়বা লীগকী মেটচতা কগালুঙ এফ সি অমদি পি এফ সিগা শান্নগনি।



ঙসিগী মেটচ অসিদা ইচেল ক্লব দিবোংনা তোস ঙমদুনা বোল কাওবা হৌখি অদুগা জে ৱাই সিনা সাইদ খনখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা জে ৱাই সিনা অঙনবা মিনিটতা ৫ তা টিমসিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৪ হোসনানা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা ইচেল ক্লব দিবোংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ৩২ চৎপদা জর্সি নম্বর ১২ অজিম উদিননা চন্দুনা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি। লেমহৌবা মিনিটশিংদা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা এটেক কয়া তৌন্দুনা শান্নখি। মেটচকী চলোয়রমদাই মিনিটতা ইচেল ক্লব দিবোংগী জর্সি নম্বর ১৭ নেহেমাইনা গোল অমা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়ববা ফাওবা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না য়াম্না কন্না শান্নদুনা অমনা অমদা প্রেসর কয়া পীশিন্নখি। ইচেল ক্লব দিবোংনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা শান্নবা হৌরক্তুনা এটেক কয়া তৌখি।

এটেকশিং অদু জে ৱাই সিগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবদগী মেটচকী মিনিট ৪১ চৎপদা ইচেল ক্লব দিবোংগী জর্সি নম্বর ১৪ হমিংঙানা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা জে ৱাই সিনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরক্তুনা মেটচকী মিনিট ৬৩ চৎপদা টিমসিগী জর্সি নম্বর ৬ রামসেনলৈননা গোল অমা হন্দাকতুনা ৩–২ দা লৈখি।

গোল হন্দোকখ্রবা মতুং মিনিট ৪ কান্নরগা ইচেল ক্লব দিবোংগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১০ নসেব খাননা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৪–২ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

শোত্থরিবা গোলশিং অদু হন্দাক্লবা হোৎন্দুনা জে ৱাই সিনা ইচেল ক্লব দিবোংবু লাকশিন্না শান্নরক্তুনা মেটচকী মিনিট ৭৬ চৎপদা টিমসিগী জর্সি নম্বর ৬ রামসেনলৈননা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা ৩ শুবা গোল চন্দুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক য়াওনবা হোৎনখি।

অদুবু ইচেল ক্লব দিবোংগী শান্নরোইশিংনা খোঙফম চেৎনা লেপখিবনা মেটচকী অপীবা মতম লোয়বা ফাওবা জে ৱাই সিনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দাকপবা ঙমদবদগী মেটচ অসি ইচেল ক্লব দিবোংগী মখূৎতা মায়থিবা নঙহৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি অজিজ হায়দর, কে ঐচ নিলাকম, জোইল চোঙলোই অমদি ই তোমচৌনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com